

# অৱাবদি অৱাবা মীওইতনা খঙই হায়বদুনি... 'চৈখে'

## সুর মৈতৈ

মীপুম খুদিংমক অৱাবা চৈথেং মায়োক্নদবা নত্তে, হায়রগসু নুংঙাই–য়াইফবা ইমুংদগী হৌরকপশিংদি অৱাবা মশক, মীনুংশি হায়বদু পাক্লা খঙদে হায়বসিদি ঙসিগী মীরোলনা হিংলিবা মহিং অসিনা অদুমক তাক্লি। লমদম অসিগী ওইরিবা মীশি–মীনা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসিসু লাল্লি–চুম্মী হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াদা বেজ তৌদুনা ৱাহং কয়া হংলিবা ত্রিৱৈভে ফিল্ম প্রদক্সনগী মখাদা প্রিমিলানা পজেন্ট তৌদুনা পুথোক্লিবা "চৈখে" হায়রিবা ফিল্ম অসিনা মীয়ামদা হংলি। থা অসিগী তাং ১৩ নোংমাইজিং নুমিৎতা এম এস এফ দি এস তা মীয়াম্না শোইদনা য়েংবা ফঙগদৌরি।

শ্যামধোনি, লোকেল, ইথৌ (লুখোই), মেম্মা, ইন্দু (থাবল), হেপি রাজেন, দোরেন, কবোক্লে ইনাওচা (ইবোমচা), বোনি শর্ম্ম (নিংথেম), সুরনজিৎ (মণি), বালা (সনাতোম্বী), অর্টিনা, জেন্নি, জেনিফর, চাইল অর্টিস্তা



বেবি রোবিকা (লনচেনবী) নচিংবা অর্টিষ্টতা কয়ানা মরুওইবা শক্তম লাংদুনা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসিবু শাগৎলিবা ষ্টোরি রাইটর, ফজরবা ৱাহে কয়াবু কুপ্না শেল্লক্লিবা দাইলোগ অমদি ফিল্ম অসিসু ফজনবা হিমাই চুন্নিবা দাইরেক্টসন হায়রবা লম অহুম অসিগী চাওরবা থৌগায় লৌরিবনা প্রেমকুমার পাওনম্মি।

নৌনা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসিগী মরুমদা চেন–চোংলিবা মীয়াম্নদি ফিল্মদা শক উবা ফঙদ্রবা ফিল্মগীদমক্তদি চাওরবা থৌগায় কয়া লৌরিবশিংদি মেক–অপ তা রুসিয়া, সিনেমাতোগ্রাফিদা ইমো য়ুম্নাম, বেকগ্রাউন্দ স্কোরদা পোইরৈ থোকচোম, স্কিল প্লেদা ফিরোজ, ম্যুজিক্তা এ কে য়াঙ্গোই অমদি ও গিটনি। নির্ঞ্জন অমদি রামেশ্বর অনিগী 'হো ইমা, হো বোবোক... ফজদরা য়েংঙু ঐসে, লাইগী মচা মানদরা...' অমদি 'নঙগী শক্তম উরুবদা লাংতক্লুরে ঐগী থৱায়, নুংশি মীনোক উরুবদা লৈতাদরে ঐগী ৱাখল...' হায়না শৈহৌবা ঈশৈ ময়েক অনীদা শৈশক্লিবনা নাওবোই, পুস্পারাণি, বেবি রোরিলা অমদি এ কে য়াঙ্গোইনি। লোয়ননা ওদিওগ্রাফি অমদি ফিল্ম অমা পুথোকপদা অরোইবা ওইনা তাশিন–খোমজিন্দুনা মপুং ফাবা ফিল্ম অমা ওইহল্লিবা এদিটরগী মরুওইবা থৱায় লৌরিবনা বাল্লিনি।

তাইবি লোইতোংবম্না প্রদুসর ওইদুনা পুথোক্লিবা ফিল্মসি ফেমেলি প্লেদা নম্না শান্নজরবসু লৈবাক্কী অমোৎপা কয়াবু শুদোক–চামথোকহন্নিংবগী ৱাখল্লোন কয়াসু অদুমক উবা ফঙলি। মীওইবা ঐখোয়সে চপ মান্নে হায়রগসু শেলনা মীওইবা ঐখোয়বু খেন্নবা অমগী মখাদা লৈহনবা মানবা অমদা ঙসিগী সমাজ অমগী চৎনবী অমা ওইরকপনা লাইরবা মীনা অৱাবা কা–হেন্না মাইয়োক্লবনা অৱাবা মশক খঙবা হেল্লি হায়বসিদি মাংদা তাদুনা লৈরি। মীওইবা মশেলগী মরক্তা খেন্নবা মীৎয়েং লৈরিবমখৈদি লমদম অমা ঈংনা চিক্লা পুনবা হায়বদু ওইথোক্লোই। লমদম অসিদা লৈরিবা লাইরবা হায়বা লাইগা শাগোন্নরিবশিংদি ঈশিং থন্দবা চফুনা মখোল থোকপগুম হিংলি হায়বা ফজরবা পাউরৌ কয়ানচিংবা শিজিন্নরিবা ফিল্ম অসিগী শন্নকপা ৱারীদি...



অৱাবা মশক খঙদনা হৌরকপা সনাতোম্বীনা অৱাৎপনা থল্লবা নিংথেমগী লোইনবি অমা ওইনা খোংদরকপা মতমদা নিংথেমগী মনাও মণিগী মহৈ মপুং ফানা তম্নবা হোৎনবদা অমদি ইমুং পুনবা হোৎনবদা ময়ুমদগী পুজকপা মরন পুন্বা লোইশিনখি। য়ুম পুন্নবা হোৎনবদা নিংথেম অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। নিংথেম পি দব্লিউ দি ওফিসতা অপীকপা থবক অমা ফঙদুনা হিংবদা মতেং খর ওইনখি। লাইবক থিবা অমনা মতম খর লৈরগা থবক অদুসু তাৎখি। নিংথেম হিংনবগী লানফমদা অফঙ–অফঙবা থবক শুখি। মনাও মণিদি ময়াম্বা থবক তৎলে হায়বা খঙদবনা মতৈমদা ফোর্ম ফিল অপ তৌনবা শেল হায়রুবা মতৈম্না অৱাবা কয়া খঙবা ঙল্লক্তবনা পেন্দবা অমগা লোয়ননা অকনবা ৱাহে কয়া মনাওদা শিজিন্নখি। সনাতোম্বী অদুক হক্লা মপুক ফৎতবদি নত্তে, সনাতোম্বীগী ৱাহে অদুদা মনেম্পোক্লা খরা ঙাংলুবদগী মপাম চৎখি। নিংথেম্না মহাক্কী নুপীবু লৌবা চৎপদা সনাতোম্বীগী অপোকপা মমানা নশা মতিক চাবা মী অমা ওইরকখো হায়বা ৱাহৈদগী নিংথেম অমদি সনাতোম্বীগী পুন্সি লম্বীদা



চৈখে অমা ওইখি।

অকনবনা অঙম্বা , অচুম্বা শক্লবা লমদম অসিদা চুম্না চৎচরিবশিংদি হিংবদা অৱাবা অমা ওইরি। অরান্বা লম্বী অমা ওইরবসু খুবাক্তা থৱায় হাপ্লগা অঙম–অঙম্বা শেৎনদুনা হিংবগী লনফম অসিদা লাল্লি খঙনা–খঙনা উপায় থিরকপদা চমজরবা মীওই কয়া অরান্বা লম্বী চৎখিদবা নত্তে। মতৌ অসুম্না নিংথেম ওইদবা ৱাহৈনা মীঙোন্দগী শেল লৌথোক্তুনা হিংনবগী লম্বীদা খোঙদবা হৌরকখি। লাইবক ফবা অমনা পুকচেল শেংবা মীওই অমা থেংনরুবদগী মহাক্কী মরাইবক চুল্লকখি। ওইদবা কয়ানা মীঙোন্দগী লৌশিল্লুবা শেল পুকচেল শেংনা লাল্লি



হায়জদুনা শিংদোকখি। (মতাং অসিদা লৌশিনবা য়াবা অমনা মী ওইনা পোক্লবদি মশানা লাল্লে খঙলবদা লাল্লি হায়জবা ঙম্বা মীওইদি অচুম্বা পাম্বা মীশক্লি। লাল্লে খঙনা–খঙনা লান্দবা শাদুনা অরান্বা অমা লোৎনবগীদমক ওইদজবা চাম্মা ঙাংবা মীশক অদুদি কৈদৌঙৈদসু নুঙাইবা ঙল্লোই হায়বসিনি।) নিংথেম মীগী মরন তোন্দ্রবা অমদি শেল পায়বা মী অমা ওইরবা মতমদা মহাক্কী নুপী অঙাং ময়ুমদা পুশিন্দুনা নুঙাইবা পুন্সি য়ুম্বাল অমদা লৈমিন্নখি। (ফিল্ম অসি য়েংলবা মতমদা ঐখোয়না লৌশিনবা য়াবশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা অমা হায়বা তারবদি শুবা–নোম্বা কনবা অমদি তন্দবা মীদি লেম্না খক মাংদে হায়বসিনি।)...













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*